# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, DECEMBER 30, 2018 PAGE 7




২০১৮ দা অহানবা ওইনা শান্নদুনা চহী অসিগী ওইনা টেষ্ট মেটচ ৯ শান্নবদা ৱিকেট ৪৫ লৌবা ঙমদুনা চহী ৩৯ শুরবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগাইখ্রবা বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ফুটবোল ক্লব ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদতা কুমজা ২০২৪ ফাওবা শান্নবগী সাইন তৌনখ্রবা ইংলিশ মচা দেক্লান রিস



## ইন্দিয়ানা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ থোইনবা মখা তানা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন অনী আওট তাহনবা মথৌ তারি

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না শান্নরিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচ থোইননবা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবগী মথৌ তারি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৪৪৩ দা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট পুম্নমক আওট ওইরগা রন ১৫১ লৌখি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা রন ৫০ য়ৌদ্রিঙৈদা বেটসমেন ৫ আওট ওইখি। ঙরাং হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ৫৪ লৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মরিশুবা নুমিৎকী শান্নরকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অসিসু দিক্লার তৌখিবনি। ইন্দিয়ানা মখা তানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ৫২ হাপচিল্লগা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি।

ঙরাং আওট ওইদনা রন ২৮ লৌদুনা লৈখিবা ওপনর মায়াঙ্ক অগরৱাল মখা তানা রন ১৬ হাপচিল্লগা অপুনবা রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ঙরাং রন ৬ লৌদুনা আওট ওইদনা লৈখিবা ৭শুবা বেটসমেন রিসব পন্টসু অপুনবা রন ৩৩ দা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা ৮শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ৫ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৮ তুরগা ১০৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ৩৯৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ঙসি মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৮ লৌদুনা লৈখিবদগী মেটচ অসি মায় পাক্নবা মখা তানা রন ১৪১ লৌবগী মথৌ তারি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ওপনর অনী রন মপুং ফানা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন উসমান খাৱাজা অমদি মরিশুবা বেটসমেন সোন মার্সনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

খাৱাজা অমসুং সোন মার্স মথংশিংনা রন ৩৩ অমসুং ৪৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা ত্রেভিজ হেদসু রন ৩৪ লৌরমখি।

কেপ্টেন টিম পাইরেগী রন ২৬ অমসুং ৯শুবা বেটসমেন মিটচেল ষ্টার্ককী রন ১৮ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। ঙসি মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা পেট কুম্মিন্স অমসুং নাথান লিওননা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৬১ অমসুং ৬ লৌদুনা লৈরি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অসি ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবা মঙাশুবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন অনী আওট তাহনবগী মথৌ তারি



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন সোন মার্স আওট তাহল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## চেন্নাই সিটিনা শিল্লং লাজোংবু ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ টেবলগী মকোক ওইখ্রে, আইজোলনা গোকুলাম ৩–২ দা থোইখ্রে

*চেন্নাই। আইজোল, দিসেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফসিনা শিল্লং লাজোংবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা আইজোল এফসিনা গোকুলামবু ৩–২ দা থোইদুনা পোজিসন অমা হাইগৎখ্রে।

ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু য়ুম্ব টিম ওইখিবা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোই শিল্লং লাজোংগী শান্নরোইশিংদগী বোল হেন্না পায়দুনা এটেক হেন্দুনা লাকখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা নেষ্টর গোরদিল্লোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোবার্টো ইস্লাভানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা চেন্নাইনা শিল্লং লাজোংবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা চেন্নাইগী শান্নরোই পেদ্রো মাঞ্জিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা শিল্লং লাজোংগী শান্নরোই সামুয়েল লালমুৱানপুইয়ানা পাঞ্জল অমা হনেদাকপা ঙমখি।

৭০শুবা মিনটতা চেন্নাইগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নেষ্টর গোরদিল্লোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা পেদ্রো মাঞ্জিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা পেদ্রো মাঞ্জিনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু চেন্নাই সিটি এফসিনা শিল্লং লাজোংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অমুক হন্না মকোক থোংবা ঙমখি।

আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা আইজোল এফসিনা কেরলাগী গোকুলামবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা আইজোলগী শান্নরোই অন্সুমানা ক্রোমাহনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৬৩শুবা মিনটতা টিমমেট লালখোপুইমাৱিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা আইজোল এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোকারজেলানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা গোকুলামগী শান্নরোই জোইল সন্দেনা পাঞ্জল অমা হনেদাকপা ঙমখি। ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা গোকুলামনা ফংখিবা পেনাল্টি অমনা জোইল সন্দেনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু আইজোলনা গোকুলামবু ৩–২ দা থোইখি।



*আই লীগতা চেন্নাই সিটি এফসি অমসুং শিল্লং লাজোংগী শান্নরোই অনীনা বোল ফংনবা হোৎনবা*

## চৌধারিনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ থমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ*

য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা সুট্টিং নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েলগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা আর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অদুগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ২৪৮.২ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবগা লোয়ননা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। মহাক্না সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ইভেন্ট অসিদা পোইন্ট ২৪৫.৫ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

সৌরভ চৌধারিনা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিকতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা পোইন্ট ২৪৫.৫ দা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ অসি য়ুক্রেনগী সুট্টর ওলে ওমেলচুকনা পোইন্ট ২৪৩.৬ তা থম্লম্বনি।

সুট্টিং নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েল অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সৌরভ চৌধারিনা এগ্রিগেটতা পোইন্ট ২৪৮.২ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা অলমোন জেননা পোইন্ট ২৪২.৩ দা লৌখি। অদুগা সিলভর মেডলনা নিখিল চানিদলানা পোইন্ট ২৩৮.৭ দা ফংখি।



*সুট্টিং নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েলগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রবা চৌধারি (ময়ায়)*

## ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন অমদি ২শুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ পোলো টুর্নামেন্ট কে কে এম এম আর এস অমদি এক্স পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ*

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (এএমপিএ) না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা নুপীগী টিম ৫ অমদি জুনিয়রগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চথরকপা ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন অমদি অনীশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু–১৬) পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লব অমদি কে কে এম এম আর এস মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র বোইজগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এক্স পোলো ক্লবনা কে কে এম এম আর এস (বি)বু পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্নবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ তোকপম হেরোজিৎনা মিটর ৩.৪৫ দা পাঞ্জল অমা, অনীশুবা চক্করদসু তোকপম হেরোজিৎনা মিনট ৩.৫১ দা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ ইরোম রাহুলনা মিনট ২.৫৩, ৭.১৭ দা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ১ তোকপম হেরোজিৎনা মিনট ৪.০২ অমদি জর্সি নম্বর ৪ থোঙাম বোইনাওনা মিনট ৫.০০ দা পাঞ্জল অমমম চনখি। মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৱান তোকপম হেরোজিৎনা মিনট ১.২৬ অমদি জর্সি নম্বর ২ তোকপম দিনেসনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে কে এম এম আর এসনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্নবা কে কে এম এম আর এসকী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ তানা থৌদামনা মিনট ১.১২, ৩.২৭, ৭.০৫ দা পাঞ্জল অহুম অমদি জর্সি নম্বর ১ নিলু আরকেনা মিনট ২.২৩ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদসু জর্সি নম্বর ৩ তানা থৌদামনা মিনট ০.২৩ অমদি ৬.২৪ দা পাঞ্জল অনী চনখি। মায়থিরবা থাংমৈবন্দ য়ুঠ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ হুইরোম পিতুনা মিনট ০.২৭ দা চনখিবনি।



## অৱাধে ৱারিয়র্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু মেটচ ৪–১ দা থোইখ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টাই অমদা অৱাধে ৱারিয়র্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু মেটচ ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টাই অসিগী অহানবা মিক্স দবলসকী ট্রম্প মেটচতা অৱাধেগী খৃষ্টিয়ানসেন মাথিয়াস অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা হায়দরবাদকী কিম সা রাং অমসুং ৱোন ইওম হিয়েবু ১৫–১২, ৯–১৫, ১৫–১১ দা থোইদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা হায়দরবাদকী মার্ক কালজোনা অৱাধেগী দোং কিয়ুন লিবু ১৫–১০, ৭–১৫, ১৫–৭ দা থোইদুনা মেটচ ১–২ দা শোৎখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী ঝাং বৈৱেননা হায়দরবাদ হন্টর্সকী পি ভি সিন্ধুবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–১৩, ১৫–৮ দা থোইরম্লগা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী সোন ৱান হোনা হায়দরবাদ হন্টর্সকী হিয়ুন ইল লিবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–১০, ১৫–১১ দা মায়থিবা পীরমখি।

টাই অসিগী মঙাশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসতা হায়দরবাদ হন্টর্সকী ইসারা বোদিন অমসুং কিম সা রাংনা অৱাধে ৱারিয়র্সকী পেয়র য়াং লি অমসুং মাথিয়াস খৃষ্টিয়ানেসেনবু ১৫–৯, ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবসু টাই অসি অৱাধে ৱারিয়র্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু মেটচ ৪–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | M | E | | A | S | E | A | | B | A | S | I | C |
| L | I | A | R | | L | E | A | R | | A | R | O | S | E |
| A | S | S | O | C | I | A | T | E | | S | M | I | L | E |
| S | L | O | S | H | | T | E | N | | S | A | L | E | S |
| S | E | N | I | O | R | | N | A | M | E | D | | | |
| | | | O | P | E | N | | | I | T | A | L | I | C |
| M | E | A | N | | S | E | A | R | S | | S | I | D | E |
| O | R | B | | | P | A | N | E | L | | | K | E | N |
| M | I | L | E | | E | R | N | I | E | | M | E | A | T |
| S | C | E | N | I | C | | | N | A | S | A | | | |
| | | | A | N | T | I | C | | D | O | S | A | G | E |
| T | A | L | C | S | | N | R | A | | A | C | T | O | R |
| E | L | I | T | E | | G | E | N | E | R | A | T | O | R |
| A | S | S | E | T | | O | P | T | S | | R | I | S | E |
| R | O | A | D | S | | T | E | S | T | | A | C | E | D |


**Reena Physiotherapy Clinic**

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

Instruments
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open 8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
**Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)**
**Phone No. 9774980552 / 8974282395**

*SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18*



REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES :IMPHAL-795004
(An Autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India.)

NOTICE INVITING OF RATE QUATATION FOR INSTALLATION OF NAT ON RENTAL BASIS

Imphal the 28th December, 2018

***No. Par/THBT/NAT/RIMS-18 : / 3072*** Sealed tender from registered firms/ manufacturers/ auothorized dealers are invited for supply & installation of **Fully Automated Nucleic Acid Amplification Testing (NAT) facility on Rental basis** on or before 15th January 2019, The installation can be downloaded from the Institute's website i.e. www.rims.edu.in.

**The following details, terms and condition may please be furnished**

1. The price in words and figures should be indicated clearly.
2. The cover of the relevant documents should be subscribed as **"Fully Automated Nucleic Acid Amplification Testing (NAT) facility on Rental basis".** (Specification & Term and Condition at Annexure-I & II)
3. Firm's TIN No., Registration No., PAN No. etc.
4. Failure to supply the items within the stipulated period and also within the validity period, the succesful bidder/supplier is reliable to be blacklisted.

*Sd/-* Kaikam Doungel
Deputy Director (Admin.)
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

*SL/BILL(RIMS)/30*